## য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভা থোইদুনা মহাক্কী অহানবা য়ু এস ওপন টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর (য়েৎ) রন্নর্স অপ তাখ্রবী জেক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ১১ ঃ*

য়ু এস এ দা চথরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ৱার্ল্ড নম্বর টেন ওইখিবী জেক জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজ কোভাবু থোইদুনা মহাক্কী অহানবা য়ু এস ওপন টাইটল লৌবা ঙমখি। অমরোমদা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা বৃটেনগী জেমি মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরসনা স্পেনগী জুরা ওইখিবা পাব্লো কেরেনো বুষ্টা অমসুং গুইলেরিমো গার্সিয়া লোপেজবু থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইবা ঙমখি।

জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং মহাক্কী লম্বা ওইখিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎলক্তুনা অনীশুবা গেম অদু প্লিজ কোভানা ৬–৪ দা থোইবা ঙমদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

নুপীগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অহানবদা লম্বা মান্নমা শান্নরকখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেন্না লৈরবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎতুনা ৬–৪ দা থোইদুনা মহাক্কী অহানবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি। য়ু এস ওপন টেন্নিস টুনামেন্টকী টাইটল অসি থারগা কর্বরগী চহী অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টাইটলগা লোয়ননা অনীশুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী জুরা ওইখিবা জেমি মুরে অমসুং ব্রুনো সোরসনা স্পেনগী জুরা ওইখিবা পাব্লো কেরেনো বুষ্টা অমসুং গার্সিয়া লোপেজবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরসকী জুরানা স্পেনগী জুরা পাব্লো কেরেনো বুষ্টা অমসুং গার্সিয়া লোপেজগী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী জুরা অদুনা স্পেনগী জুরা অদুগী সার্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা নুপাগী দবসলকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড নম্বর ফোর জুরা ওইরিবা বৃটেনগী জেমি মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরসনা য়ু এস এ গী ফাইবোক জুরা ওইরিবা বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা কুমজা ২০১৩ দা সিজন অমদা দবসলকী টাইটল খ্বাইদগী হেন্না লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদুগী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখ্রে।



নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জেমি মুরে অমসুং ব্রুনো সোরসনা ট্রোফি চুপ্পা

# চাইনাগী সোং মাউদাংনা স্বিম্মিংদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে, ইন্দিয়াগী পুজা অমসুং নরেস আর্চরি অমসুং সুট্টিংদা লৈহৌরে



পেরালিম্পিক্সকী স্বিম্মিংদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা চাইনাগী সোং

*রিও দি জেনৈরো, সেপ্তেম্বর ১১ ঃ*

চাইনাগী স্বিম্মর সোং মাউদাংনা মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাই কম্পিটিসন্দা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা রিও পেরালিম্পিক্সতা থম্বা ঙমখ্রে। অমরোমদা ওলিম্পিক্স অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী আর্চর পুজা রিকর্ব ইভেন্টতা ২৯ শুবা পোজিসন্দা লৈহৌরে অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট নরেস শর্ম্ম মিটর ১০ গী মিক্স এয়র রাইফল প্রোন কম্পিটিসন্দা ৪৪ শুবা পোজিসন তাহৌরে।

চাইনাগী স্বিম্মর সোং মাউদাংনা নুপাগী মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাই এস ৮ কম্পিটিসন্দা সেকেন্দ ৫৯.১৯ দা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মমাঙদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পিটর লিগনা ২০১০ দা মিনট ১ঃ০০.৪৫ দা থম্লবা রেকোর্দনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা অতোপ্পা চাইনাগী স্বিম্মর ঝু হাইজি য়াওনা মিনট ১ঃ০০.০৮ দা সিলভর ফংলগা লৈবাক অদুমক্কী য়াং গ্বাংলোংনা মিনট ১ঃ০১.১৮ দা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখিবনি।

সোং মাউদাংনা মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাই গোল্ড মেডল ফংবদা নত্তনা ৱার্ল্ড রেকোর্দসু থম্বা ঙল্লিবনি। মহাক্না মমাঙগী লন্দনদা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিক গেমসতা ৪X১০০ রিলেদা গোল্ড ফংদুনা মহাক্কী চহী ২৩ দা ঙাইরিবা কেরিয়রদা পেরালিম্পিক্স গোল্ড অনীরক শুবা ওইনা ফংবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি সোং মাউদাং গী য়েৎথংবা পাম্বোম অদু মহাক্না চহী ৮ খক্তা ঙাইরিঙৈ মতমদা মৈনা চিংবদগী ককখিবনি।

ইন্দিয়াগী পুজা ঙরাং রিওগী পেরালিম্পিক্সতা নুপীগী রিকর্ব আর্চরি ইভেন্টকী রেঙ্কিং রাউন্দদা পোইন্ট ৫১৩ ফংদুনা ২৯ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

পুজানা অহানবা তেঙ্গৈ ৬ কী রাউন্দ কাপ্পদা পুন্না ফংবা য়াবা পোইন্ট ৬০ গী মনুংদা পোইন্ট ৪৭ ফংখি। মহাক্কী টর্গেটশিং অদু ৯, ৮,৮,৮,৭ অমসুং ৭ কাপখিবনি।

অনীশুবা রাউন্দদা ৬০ গী মনুংদা ৫০ ফংদুনা হান্নদগী খরা ফগৎলকখি। অদুবু রাউন্দ ৬ কাপ্পা কম্পিটিসন অদুগী ৩ শুবা রাউন্দদা পোইন্ট ৪৩ খক ফংদুনা ফিভম শোকচিনহনখি। ৪ শুবা সেরিজ দা পোইন্ট ৪৫ খক ফংখি। মহাক্কী ফজদবা ফিভম অদু মখা তারদুনা ৫ শুবা সেরিজদা পোইন্ট ৪১ অমসুং ৬ শুবা সেরিজদা পোইন্ট ৪৪ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফতা পোইন্ট ৪৫, ৪৯, ৪৭, ৪৪, ৩১ অমসুং অরোইবা সেরিজদা ২৪ খক কাপ্পগা ২৯ শুবা পোজিসন তাখিবনি।

সুট্টিংগী ওইনা নরেস কুমার শর্ম্মনা মিটর ১০ গী মিক্স এয়র রাইফল প্রোনদা পুন্না ক্বালিফাইং রাউন্দদা পোইন্ট ৬০৬.৫ ফংলগা ৪৪ শুবা পোজিসন্দা লৈখিদুনা মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখিবনি।

**MEDAL TALLY**

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| 1 China | 26 | 24 | 19 | 69 |
| 2 Great Britain | 15 | 8 | 12 | 35 |
| 3 Ukraine | 12 | 10 | 15 | 37 |
| 4 United States | 8 | 11 | 7 | 26 |
| 5 Brazil | 5 | 9 | 5 | 19 |
| 6 Netherlands | 4 | 7 | 9 | 20 |
| 7 Germany | 4 | 6 | 4 | 14 |
| 8 Uzbekistan | 4 | 4 | 11 | 19 |
| 9 Tunisia | 4 | 3 | 1 | 8 |
| 10 Mexico | 4 | 1 | 1 | 6 |
| 32 India | 1 | 0 | 1 | 2 |

# টোটেনহাম হোটস্পরনা ষ্টোক সিটিবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



টোটেনহাম হোটস্পরগী সোন (ওই) দগী বোল মুন্নবা হোৎনরিবা ষ্টোক সিটিগী এলেন

*লন্দন, সেপ্তেম্বর ১১ ঃ*

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ সিজন ২০১৬–১৭ কী ঙরাং শান্নখিবা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ষ্টোক সিটিবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে।

টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী সাউথ কোরিয়া মচা সোন হ্যুন মিন্না শান্নবগী ৪১ অমসুং ৫৬ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অনী অদুনা টিম অদুগী দেলে আলিনা ৫৯ শুবা মিনটতা অদুগা মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা হেরি কেন্না মিনট ৭০ শুবদা চনখি।

লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ুন্নোন্নবা ক্লব ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ৪ শান্নবদা ৪ মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ১২ ফংদুনা লীগ টেবলদা মকোক থোংদুনা চংখি।

য়ুনাইটেদনা মেটচ ৪ শান্নবদা ১ মায়থিদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা মেটচ ৩ দা পোইন্ট ৯ ফংলিবা চেলসিগী মথংদা ৩ শুবা পোজিসন্দা লৈরি। ষ্টোক সিটিবু মায়থিবা পীরম্বা টোটেনহাম হোটস্পরনা মেটচ ৪ দা ২ থোইরগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৮ ফংবগা লোয়ননা ৪ শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

লিভরপুলগী টিম্না ঙরাং মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা লৈকেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু ১৩ শুবা মিনিটতা রোবার্ট ফর্মিনোনা চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ৩১ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী শান্নরোই সাদিও মেনা চনখি।

৩৮ শুবা মিনিটতা লৈকেষ্টরগী মায়কৈদগী জেমি বর্দিনা অমা হনে দাকপা ঙমখি। অদুগা লিভরপুলগী অহুমশুবা পাঞ্জল আদাম লালানানা ৫৬ শুবা মিনিটতা চল্লগা মেটচকী ৪ শুবা পাঞ্জল অদুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা শান্নরোই রোবার্টো ফর্মিনোনা শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

# ইন্দিয়াগী য়ু–১৬ গী শান্নরোই ২১ গী মমিং লাওথোকপদা মণিপুরদগী ফুটবোল শান্নরোই ৭ য়াওখ্রে

*পানাজি, সেপ্তেম্বর ১১ ঃ*

থা অসিগী ১৫ দগী গোৱাগী সহর পানাজিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা এ এফ সি অন্দর–১৬ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্নবা শান্নরোই ২১ গী মমিং লাওথোকপদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৭ য়াওখ্রে।

য়ুম্বু ইন্দিয়ানা গ্রুপ মেটচতা অহানবা অদু হৌদোকপা নুমিৎতা য়ু এ ই গা শান্নগনি। সেপ্টেম্বর ১৮ দা সাউদি অরাবিয়াগা থেংনগনি। অদুগা সেপ্টেম্বর ২১ দা ইরানগা শান্নগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৬ না শরুক য়ারি। হৌজিক ফাওবদা য়ু এস ই, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ কোরিয়া অমসুং উজবেকিস্তান মাঙজৌননা গোৱাদা থুংলরবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা নিকোলাই অদামনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল শান্নরোইশিং অসিনা জর্মনি অমসুং নোর্ৱেদা চৎলুবা এক্সপোজর টুর অদুনা য়াম্না কান্নবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী আশা তৌরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা ফুটবোল পামজবা ভাবকশিংগী য়েংলগা টিকেট য়াওদনা লেম্না য়েংহনগদৌরি।

খনগৎলবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি– গোল কিপরদা প্রবসুখন সিংহ গিল, মোহমদ নৱাজ অমসুং মণিপুরদগী মোইরাংথেম থিরজ সিংহ, দিফেন্দরদা জিটেন্দ্র সিংহ, মোহমদ রকিপ, গেষ্টোন দি সিলভা, নরেন্দর,মণিপুরদগী থাংজম বোরিস সিংহ অমসুং মোহমদ সরিফ খাননি, মিড ফিল্দদা সঞ্জিব ষ্টেলিন, কোমল থাতল, অনিকেট অনিল যাদব, লালেংমাউইয়া, সৌরব মেহর, জোসেফ বনলানহুরিয়া অমসুং মণিপুরদগী ৱাংজম সুরেস, খুমন্থেম নিংথোইঙম্বা অমদি কিয়াম অমর্জিৎ, ফোৱার্দ এ ছেত্রি, রাহুল কে প্রবিন অমসুং মণিপুরদগী অকোইজম নোংঙানবা সিংহনি।




# জোস্না ১০ শুবদা হাইগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ১১ ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী স্কৱাস শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা ১০ শুবা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই জোস্না চহী অসিগী জুলাই থাদা টোপ ১০ গী মনুং চল্লম্লবনি অদুবু ১২ শুবা পোজিসন দা হাইথরুরবা মতুং ৱার্ল্ড স্কৱাস রেঙ্কিংগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা লিষ্টতা ১০ শুবদা হাইগৎলকপনি। নীংশিংবা য়াবদি চহী অসিগী মে থাদা হোং কোংদা পাঙথোকখিবা ঐচ কে এফ সি ইন্টরনেসনেল স্কৱাস টুর্নামেন্টকী রন্নর্স অপ তাবা ঙমদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্কক অদু ওইখি। অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোই দিপিকা পালিকল মহাক্কী ১৯ শুবা পোজিসন হোংদনা লৈরি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*